# এসসি মহৈরোইশিংগী স্কোলারশিপ পীথোক্তবদগী

# পুং ৩৬ কী জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌখ্রে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ১৪ঃ* ককচিং, ৱাবগাই, সুগনু, ৱাংখেম, সেকমাই, অন্দ্রো, ওইনাম, থাঙ্গ অমসুং হিয়াংলমনচিংবা কেন্দ্রশিংদা মেত্রিক পাস তৌরবা সেদ্যুল, কাষ্ট মহৈরোইশিংদা পীথোক্তনা লৈরিবা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরশিপ থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা পীথোক্তবদি তাং ২৪ গী অয়ুকপুং ৬ তগী মথং নোংঙানবা তাং ২৫গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ এফেক্টেদ গার্জিয়ান কম্মিটিগী কনভেনর এন গৌরমোহোন, টিঐচ বুদ্ধি, এম রানিদাস অমসুং এন গোজেন মরিনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

কনভেনরশিং অসিনা মখা তানা হায়খিবদা, সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিং অসিগী পীথোকফম থোক্লবা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপশিং অদু পীথোক্লবা ঙরাং চিফ মিনিষ্টর শ্রী ও ইবোবীদা অল্টিমেতম মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা খঙহনখ্রে। সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগী পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরশিপ অসি সরকারনা ২০১০-১১ দগী হৌজিক ফাওবা পীথোক্তনা লাক্লি। মসিনা মণিপুরগী সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংদা চাওনা নীংবা কায়বদা নত্তনা সরকারসিনা সেদ্যুল কাষ্টশিংবু থৌশাবিদ্রে হায়না লৌই।

সরকারগী অসিগুম্বা থৌওং অসিদগী মরী লৈনবা ত্রাইবেল দিভপলমেন্ট দিপার্টমেন্টতা হংলুবদা গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগী স্কোলরশিপকী শেনফমশিং অসি মতম চানা সেঙ্কসন তৌরম্বদগী মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মমাং চহি ২০১১গী নভেম্বর ৮ দা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা চহিদুমক্কী নভেম্বর ২০ ফাওবগী মনুংদা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরশিপকী শেনফম অদু পীথোক্লবা তকশিনখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা থা অদুমক্কী ২১ দা মণিপুর সরকারনা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরশিপ ২০১০-১১ গী দরকার লৈরিবা সেঙ্কসন অদু ফংলে অমসুং মদু নুমিৎ ১০ দগী ১৫নি ফাওবগী মনুংদা য়েহ্বোক্কনি তৌরম্বা অদুসু হৌজিক ফাওবা য়েহ্বোক্তনা লৈরি।

মখা তানা থিজিল্লুবদা দিপার্টমেন্ট ওফ সেদ্যুল কাষ্ট অসি ত্রাইবেল ৱেলফেয়ার দিপার্টমেন্টতগী খায়দোল্লগা মাইনোরিটি এন্দ আদর বেকৱার্দ ক্লাসেস দিপার্টমেন্টতা মর্জ তৌশিনখ্রে। মসিনা মরম ওইরগা পোষ্ট মেত্রিক স্কোলরশিপকী শেনফমশিং য়েহ্বোকপদা থেংথবনি হায়রি।

অসিগুম্বা চয়েৎনবা কয়া অসিনা সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগী ফংফম থোক্লবা স্কোলরশিপ পীথোক্তবনা শেল থুমগী খুদোংচাদবা ইমুং কয়াগী মহৈরোইশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরে। মহৈরোইশিগী স্কোলরশিপ অসি পীথোকপীনবা চিফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবা পাউখুম অমত্তা পীরক্ত্রি হায়দুনা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা থা অসিগী ২২ ফাওবগী মনুংদা শেলফম অসি পীথোক্তবদি মে ২৪ গী অয়ুক পুং ৬ তগী মথং নোংঙানবা ২৫গী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পুম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি। মসিদা মীয়াম্না মপুং ফানা কোওপরেসন পীবীয়ু হায়খি।